# ঙসি এনএসসিএন ১সুং ম্যান্মার গভর্নমেন্টকা পিছ তোক চত্থগদৌরি

*নিউ দিল্লি, এপ্রিল ১৯ঃ* ম্যান্মারদা ওং সান সু চিনা লুচিংবা দিমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্নমেন্ট লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা লালহৌবগী প্রোব্লেমশিং লোয়শিন্নবা গ্রুপ কয়াগী সিজ ফায়র থম্নবা য়াওনা পিছ তোক চত্থবগী থবক হৌখ্রে। মদুগী শরুক অমা ওইনা হয়েং ইরাই নুমিৎতা ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারদা বেজ তৌরিবা খপ্লাংনা লুচিংবা এনএসসিএন (কে)গা পিছ তোক চত্থগদৌরি হায়রি।

নাগা লালহৌলুপ অসি ম্যান্মারগী রেজিমগী মায়োক্তা হৌখিবা চহি ৩২গী মমাংদগী আমর্দ ষ্ট্রগল চত্থদুনা লাকখিবনি।

হয়েং ম্যান্মারগা গভর্নমেন্টগা চত্থগদৌরিবা পিছ তোক অসিদা নাগা দেলিগেসন অসিনা ম্যান্মার গভর্নমেন্টকা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনবা অমসুং নেগোসিয়েটিং ষ্ট্রেতেজি অমা ৱার্ক আউট তৌগনি।

নাগা নেসনেল লিগ ফোর দিমোক্রেসিগী চেয়ারমেন সো সানা ফোঙদোকখিবদা শাংলবা মতম অসি মখোয়না সিজ ফায়র নেগোসিয়েট তৌনবা শেম শাদুনা লাকখিবনি। মতৌ করম্না লাম্হেংনরিবা অসি লেপকদগে অমসুং রাজনিতিগী ওইবা খেন্নবা কয়া লৈরিবসিগী ৱারোইশিন অমা করম্না পুরক্কদগে হায়বা খন্নগনি হায়রি।

এসএস খপ্লাংনা লুচিংবা এনএসসিএন (কে) ফেক্সন অসিগী খুৎলায় পায়বা লাম্মী ৫০০গী মথক্তা লৈ। লোয়ননা ম্যান্মারগী নাগা মাউন্টেন রেঞ্জ অমসুং সগাইয়িং রিজনগী নোর্থ লাহে অমসুং নানয়ুং টাউনসিপ্তা ওপরেট তৌরি। এনএসসিএন অসি ১৯৮০গী জানুৱারী ৩০ দা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা লৈরিবা নাগাশিং অমদি ম্যান্মারগী সগাইয়িং রিজনদা লৈরিবা নাগাশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা নাগা মীয়ামগী নীংতম্নবগীদমক শেমখিবনি। অদুম ওইনমক ১৯৮৮ দা এনএসসিএন (কে) অমসুং এনএসসিএন (আইএম) হায়না অনি থোক্লা কায়খ্রবা মতুং এনএসসিএন (কে)না ম্যান্মারদা বেজ তৌরি। অদুগা এনএসসিএন (আইএম)না ইন্দিয়াদা বেজ তৌরি।

হৌখিবা চহি ২০১১গী এপ্রিল ২৮ দা এনএসসিএন (কে) অমসুং ইন্দিয়ান গভর্নমেন্ট অনিগী মরক্তা সিজ ফায়র সাইন তৌনদুনা লাকখিবনি। অমরোমদনা ম্যান্মারগী সাইয়িং রিজনগী লাহে, লেসি অমসুং নানয়ুং টাউনসিপ অসি হৌখিবা চহি ২০০৮ তগী নাগা সেল্ফ এদমিনিষ্ট্রেটিভ জোন হায়না খঙনদুনা লাকখিবনি হায়রি।

অমরোমদনা মাওইষ্টনা মখোয়গী বেজশিং অসি নোর্থ ইষ্টতা শন্দোক্লবগী এইম লৈতে। য়ুমথংনরিবা চাইনাগী য়ুনান প্রোভিন্সতা লৈরিবা নোংমৈগী কৈথেলদগী খুৎশু খুৎলায়শিং পুশিল্লক্লবা হোৎনবদা নোর্থ ইষ্ট অসি মখোয়গী রুট অমা শেম্নবা হোৎনবনি হায়না সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা থাজরি।

পাউগী সোর্স অদুনা হায়রিবদি, সেন্টরনা চাইনা অমসুং ম্যান্মারদা মখোয়গী লমখৈগী শরুক ফাওরগা ইন্দিয়ারোমদা লালহৌবশিংনা খুৎলায় কয়া পুশিল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা পুখৎতুনা খঙহনখ্রে। নোর্থ ইষ্টতা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্ট আউটফিটশিংনা চাইনাগী য়ুনান প্রোভিন্স, ম্যান্মার অমসুং সাউথ এসিয়া কন্ট্রিশিংদগী খুৎলায় লৈবগী থবকশিং চত্থরি। য়ুনান প্রোভিন্সতগী আইন্না য়াদবা মওংদা খুৎশু খুৎলায়শিং য়োনবগী থবকশিং অসি বৈজিংদা বেজ তৌবা নোরিনকো কম্পনিনা শাবনি। মসিগী য়ুনিট অমা য়ুনানদা লৈ।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী দোম্যুমেন্ট মতুংইন্নদি মাওইষ্ট অসি ম্যান্মারদা বেজ তৌবা মণিপুরগী পিএলএগা অনকপা মরী লৈরি। মাওইষ্টশিংনা চাইনানা শাবা খুৎশু খুৎলায়শিং শীজিন্নরি। অদুম ওইনমক মখোয়না খুৎলায়শিং অদু চাইনাদগী হকথেংননা লৈবা নত্রগা নোর্থ ইষ্টর্ন মিলিটেন্ট আউটফিটশিংনা সপ্লাই তৌব্রা হায়বদুদি খঙদে হায়রি।

অমরোমদনা ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশ অনিগী মরক্তা অফবা মরী লাকপগা লোয়ননা বংলাদেশতগী মপুং ফাবা কোওপরেসন ফংলি। ম্যান্মারদসু অনৌবা সরকার লাকপগা লোয়ননা ইশু অসিগী মতাংদা অফবা মরী লাকপা হৌরে। হন্দক্তা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা চিফ মিনিষ্টরগী মীফমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা অসামদা মাওইষ্টকী অনৌবা থ্রেট অমা লাকপা হৌরে। মণিপুরগী ইন্সরজেন্ট গ্রুপশিংনসু মাওইষ্টকা মরী লৈনবগী খুদম ফংই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈ হায়রি।

চিফ মিনিষ্টর তরুন গোগোইনা মখা তানা হায়খিবদা, অসামদা মাওইষ্টশিং য়াম্না নৌবা তাঙক্তা লৈরি। অপ্পর অসাম দিষ্ট্রিক্ট অহুমদা মাওইষ্টশিং লৈ। এরিয়াশিং অদুদগী মাওইষ্ট ২১ ফাগৎখ্রে। অমরোমদনা এনএসসিএন (আইএম) অমসুং উলফাগী এন্টি তোপ ফেক্সন পরেস বরুৱাগী মেম্বর খরনা মাওইষ্টতা খুৎশু খুৎলায়শিং লল্লোনলম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়না সেক্যুরিটি এজেন্সিগী পাউ অমনা হায়রি।